# য়ু এসনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়াম্না থুনা ন্যুক্লিয়র লাল থোকহনগদৌরে : নোর্থ কোরিয়া

সিওল, মে ০২ :
অতোপ্পা পাঙ্গল উৎপগী থৌওং অমদা য়ু এসকী ষ্ট্রেটেজিক বোম্মর জুরা অমা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগী এয়র ফোর্সশিংগা লোয়ননা ট্রেনিং ড্রিলশিং ওইনা পাইখিবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়াম্না থুনা ন্যুক্লিয়র লাল থোকহন্নবা শীল্লে হায়না মরাল শীখ্রে।



য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেঙ্কসনশিং অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রেসরবু থওইদদুনা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল প্রোগ্রামশিং হনবা লৈতনা পায়খৎপদগী পেনিন্সুলা অদুদা টেন্সন ৱাংখৎলক্লিঙৈ তাঞ্জাদা সুপরসোনিক বি-১ বি লান্সর বোম্মর অনী দিপ্লোইদ তৌখিবনি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোর্থ কোরিয়ন লীদর কিম জোং-উনবু মফম মতম চানা উনবা পামই হায়খিবগা চাননা অমসুং মহাক্কী সি আই এগী দিরেক্টরনা ৱারী শাননবগীদমক্তা সাউথ কোরিয়াদা থুংখিবগা চাননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বোম্মর অনীদু পাইখিবনি।

সিওলদা ব্রিফিং অমদা সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন মূন সাং-গ্যুননা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌরকপগী থৌওংশিং চখুরকপা ঙমদনবগীদমক্তা অমসুং অতোপ্পা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোরকপা মতমদা মায়োক্লনবা কদায় ফাওবা শেম শারবগে হায়বা টেষ্ট তৌবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎকী জোইন্ট ড্রিল অদু পাঙথোকখিবনি।

সাউথ কোরিয়ন অমসুং জপানিজ এয়র ফোর্সশিংগা ট্রেনিং এক্সরসাইজশিং পাঙথোক্লনবগীদমক্তা বোম্মরশিংদু গুৱামদগী পাইখিবনি হায়না য়ু এস এয়র ফোর্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

নোর্থ কোরিয়ানা হায়খ্রে মদুদি, ত্রম্প অমসুং অতৈ লাল পান্বশিংনা নোর্থতা প্রীএম্পটিভ ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোক্লবগী ৱাখলগা লোয়ননা মথুম-মরাং হৌদুনা লৈরিঙৈ তাল্লকসিদা বোম্মরশিং অদুনা নোর্থকী টেরিটরিদা লৈবা মরু ওইবা টার্গেটশিংগী মায়োক্তা ন্যুক্লিয়র বোম থাদবগী ড্রিল অমা পাঙথোকখি।

‘হালেংবা লৈতনা চখুরিবা মিলিটরিগী ওইবা কাইহৌবগী থৌওংশিংনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা য়াম্না থুনা ন্যুক্লিয়র লাল অমা থোকহল্লকপা য়াবগী ফীভম অমা লাকহনগদৌরে’ হায়না নোর্থকী ওফিসল কে সি এন এ ন্যুজ এজেন্সিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়খি।

পিয়োংয়াংগী অমত্তা ঙাইরবা অচৌবা মীচং চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রেসরবু থওইদদুনা নোর্থনা লৈবাকসিগী তরুকশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোরকপা য়াবগী নুংনাংবশিংনা মরম ওইদুনা চয়োল কয়ামুক কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংলকৎখিবনি।

# য়ুক্রেন ক্রাইসিসকী মতাংদা নৌনা দাইলোগ চখবা য়ানবা এঞ্জেলা মর্কেলনা ব্লাদিমির পুটিন উনরগনি

বর্লিন, মোস্ক, মে ০২ :
য়ুক্রেনগী মতাংদা য়ানদবা চাউনা লৈরিঙৈসিদা নৌহৌননা দাইলোগ চখনবগী ঈঙ্গিৎ অমা ওইনা জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মার্কেলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অথেংবদা প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা উনরগনি।

কোল্ড ৱারগী তুংদা য়ুক্রেনগী ক্রাইসিসনা মরম ওইদুনা মোস্কোগা ঈ য়ুগা লৈনবা মরী মমাঙদা অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা ফীভম শোকচিনখিবগা লোয়ননা রসিয়ন অমসুং জর্মন লীদরশিংনা অমগা অমগা লাপথোক্লরকখি।

বর্লিননা হায়খি মদুদি, মীফম অসিনা অতৈ অতৈ হীরম কয়াগী মথক্তা জুলাই থাদা হমবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা জি ২০ গী সম্মিটতা মিৎয়েং থমগনি অমসুং নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা অচৌবা খেন্নবশিং তাইশিন্নবা য়াগদবা মওংদা সোল্যুসনশিং থোক্লক্তবা য়াই।

কুমজা ২০১৪ দা য়ুক্রেনদগী নম্ফুদা ত্রিমিয়া পায়শিনখিবা অমসুং লৈবাক্তুগী নোংপোকথংবা শরুক্তা লাল হৌরিবা ক্রেমলিনবু শৌগৎপা সেপ্পরেটিষ্টশিংবু শৌগৎপগীদমক্তা মর্কেলনা রসিয়াগী মথক্তা ঈ য়ুনা অথিংবা কয়া থমখিবদুবু শৌগৎখি।


অমরোমদা, মোস্কোনা পাউখুম ওইনা নোংচুপ্লোমদগী লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং পুশিল্লকপা থিংজিনখি অমসুং ঈ য়ুনা ৱাতেমদুনা কনফ্লিক্ট অদু লোইশিনবগী পিছ প্লান অমা অরেম্বা তাহনখি।

হৌখিবা চয়োলদা রসিয়াদা চৎখিবা মহাক্কী অহানবা ওফিসল খোঙচৎতা ঈ য়ুগী ফোরন এফেয়র্সকী চীফ ফেদেরিকা মোঘেরিনিনা নাকল অনীগী মরক্তা কো-ওপরেসন পীনবগী থৌওং অপুন্বা লেপ্পদি লৈতে হায়খি। তৌইগুম্বসুং মহাক্না য়ুক্রেন অমসুং সিরিয়া য়াওনা হীরম কয়াদা য়ানদবশিং চাউনা লৈবদগী প্রোগ্রেস লৈবা ঙমদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা মার্চতা মোস্কোদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা জর্মন ফোরন মিনিষ্টর মিসিগমার গাব্রিয়লগা উনবদা পুটিননা লৈবাকশিং অসিগী মরী মপুং ফানা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহন্নবা আপিল তৌখিবা মতুংদা মর্কেলনা রসিয়াদা খোঙচৎ অসি চৎলিবনি।

মমাঙদা ইকোন কোনবা ওইনা মর্কেলনা রসিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎখিবসি কুমজা ২০১৫ গী মে থাদনি। মহাক্না খোঙচৎ তুংদা মোস্কোদা পুটিনগা উনখি তৌইগুম্বসুং নোংচুপলোমগী অতৈ লীদরশিংগুম্না মহাকপু মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাউদা মায় পাকখিবগী ৭০রকশুবা কুমওনগা মরী লৈননা রেদ স্কৱারদা পাঙথোকখিবা পেরেদ অমদদি শরুক য়াখিদে।

# ভেনিজ্যুএলাগী প্রসিদেন্টনা অনৌবা কন্সটিট্যুসন ইনবা ওর্দর তৌখ্রে



করাকস, মে ০২ :
ভেনিজ্যুএলাগী সোসিয়েলিষ্ট লীদরনা লৈবাক অসিগী অনৌবা কন্সটিট্যুসন অমা ইনবা ওর্দর তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু মফমদগী চিংথুনবা অকনবা কেম্প্যেন চখুখিবা ওপোনেন্টশিংবু অমুক হন্না শাউহনখ্রে। সোসিয়েলিষ্ট লীদর অসিগী ওপোনেন্ট লিশিং কয়ানা লৈবাক অসিদা অহোংবা লাকহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা লম্বীদা প্রোটেষ্ট তৌনখিবনি।

প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা নিংথৌকাবগী নুমিদাংদা পীখিবা টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা স্পীচ অমদা অনৌবা চার্টর অমা পুথোক্লবা করম্না সিটিজন এসেমব্লি অমগী মেম্বরশিং খনগদগে হায়বগী মতাংদা ময়েক শেংনা পনখিদে।

মহাক্না মেম্বর খরদি ভোটরশিংনা খনবা য়াই হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি, তৌইগুম্বসুং ওবজার্ভর কয়ানা গভর্ণমেন্টনা কনভেন্সন অদুগী দেলিগেট অয়াম্বা খন্নবা পৱার শিজিন্নরক্কনি হায়না থাজরি।

ওপোজিসন লীদরশিংনা গভর্ণমেন্টকী থৌওংদা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি অমসুং কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লি পাঙথোক্লবগী থৌরাংদু চহী অসিদা পাঙথোক্লবা লেপখ্রবা রিজনেল ইলেক্সনশিং অমসুং মথং চহী ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়ল মীখল য়ৈথোকপা য়ানবা মাদুরোদা তাঞ্জা অমা পীবনি হায়খি।

# কনাডাগী দিফেন্স মিনিষ্টর মফম থাদোক্লবগী দিমান্দশিং ক্রুদোনা য়াখিদ্রে

ওট্টাৱা, মে ০২ : কুমজা ২০০৫ দা টালিবানগী মায়োক্তা চখুখিবা অচৌবা ওফেন্সিভ অমগী থৌরাং মহাক্না পুথোকখিবনি হায়বা ৱাফমগী মতাংদা কনাডাগী দিফেন্স মিনিষ্টর হরজিট শাজনবু মফম থাদোক্লবা তৌরিবা দিমান্দশিং লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিন ক্রুদোনা য়াখিদ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর ক্রুদো অমসুং মফম থাদোক্লবা দিমান্দ কয়া তৌবগা লোয়ননা অকন্নবা প্রেসর লৈরবা মহাক্কী দিফেন্স মিনিষ্টর নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওপোজিসনগী অকন্নবা ৱাহং পাউহং কয়া মায়োক্লখি। ওপোজিসন এম পিশিংনা শাজনবু অফঘানিষ্টানদা ওপরেসন মেদুসা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌবদা মহাক্না লৌখিবা থৌদাং হেন্না হায়জিন-খিবগীদমক্তা ‘থৌনা লৈবা শানবা হুরান লানাগী থৌওং চখুখি’ হায়না মরাল শীখি।

ওপোজিসন্না মখোয়গী এটেক অদু মপুং ওইনা শাজনদা টার্গেট তৌখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা দিফেন্স মিনিষ্টর অসিনা হাউস ওফ কম্মন্সতা অমুক হন্না এপোলোজাইজ তৌখি।

ওপরেসন মেদুসা অসি অফঘান কনফ্লিক্টতা মীশি-মীনা খ্বাইদগী হেন্না থোকখিবা অমসুং খ্বাইদগী মরু ওইবা লালশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

ইন্টরিম কঞ্জার্ভেটিভ লীদর রোনা অমব্রোসনা মিলিটরি সার্কলশিংদা মীগী মথৌনা হুখিবা ‘অচৌবা সিন অমনি হায়খি।

‘মিনিষ্টর অসিনা অশোয়বা অমা তৌখ্রে অমসুং মদুগীদমক্তা মহাক্না এপোলোজাইজ তৌখ্রে’ হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হাউস ওফ কম্মন্সতা হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়খি।

ওপরেসন মেদুসা পাঙথোকখিবা মতম কুমজা ২০০৬ তা শাজননা অফঘানিষ্টানদা লৈবা কনাডিয়ন ফোর্সশিংগী মরক্তা মেজর অমা ওইখি অমসুং মহাকপু অখন্ননা থাগৎনখি। চয়োল অনী চূপ্পা চখুখিবা ওপরেসন অদুদা টালিবান ফাইটর চা কয়া হাৎখি নৎত্রগা ফাখি। লানফমদুদা কনাডিয়ন ১২ সু মথৱায় থাখি।

# থাইলেন্দগী অনৌবা নিংথৌনা ষ্টেট এজেন্সি ৫ পায়শিনখ্রে



বেঙ্কোক, মে ০২ :
থাইলেন্দগী অনৌবা নিংথৌনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা রোয়েল এফেয়র্স অমসুং সিক্যুরিটিবু য়েংশিল্লিবা ষ্টেট এজেন্সি মঙাগী কন্ট্রোল পায়শিনখ্রে। মসি নিংথৌ অসিনা মহাক্কী পৱার চেৎশিন্নবা থাংলকখিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাংনি।

এজেন্সিশিং অসিবু নিংথৌদা ট্রান্সফর তৌবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোলশিং য়াওরিবা লো নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবদা রোয়েল গেজেটতা ফোঙদ্রিফাওবা মীয়ামদা ফোঙদোক্তনা লৈখি হায়বদি লোমেকরশিংনা বিল অদুগী মতাংদা হাউসকী মপানগী মীওই অমত্তা য়াওহন্দনা ভোট লৌনখি।

অরোনবা থৌওং অসি থাইলেন্দগী নিংথৌগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা চৎনবী অমগা মরী লৈনখি। অসিগুম্বা চৎনবী অসি লিশাং শিৎনা চহী কয়া দিফেমেসনগী অকন্নবা লোশিংনা ঙাক্লো পীবা মতিক ময়াই কল্লবা ইন্সটিট্যুসন অমনি। দিফেমেসনগী লোশিংনা ক্রিটিক কয়া জেলদা লৈহনখি।

নিংথৌ মহা ভাজিরালোংকোর্ননা পায়শিনখ্রবা ষ্টেট এজেন্সি মঙাদুদা মরু ওইবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্ট অনী য়াওরি। মখোয়দুদি রোয়েল হাউসহোল্ড ব্যুরো অমসুং নিংথৌগী প্রিন্সিপাল প্রাইভেট সেক্রেটরিগী ওফিস য়াওরি। এদমিনিষ্ট্রেটিভ দিপার্টমেন্ট অনীসিগা লোয়ননা পেলেস সিক্যুরিটি এজেন্সি অহুমনি। এজেন্সি মঙামক হান্না গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা মিলিটরিনা কন্ট্রোল তৌখিবনি।

# য়ু এসনা চহী অসিগী মনুংদা অফঘানিষ্টানদগী আই এস আই এস মুখৎনবা পান্দম থল্লি

ৱাশিংটন, মে ০২ : টালিবানগী ফাইটরশিংদা য়ু এসকী খ্বাইদগী চাউবা কনভেন্সনেল বোম অমা থাদখিবা মতুংদা গ্রুপ অসিগী লীদরদা টার্গেট তৌরবা মতুংদা য়ু এস মিলিটরিনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী অফঘানিষ্টানগী ব্রাঞ্চ থুগায়নবা হোৎনবদা মিৎয়েং থল্লক্লি। য়ু এস মিলিটরিনা থবক অসি লালগী এক্সপেরিয়েন্স লৈরবা গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্ট কয়া সিরিয়া অমসুং ইরাক্তগী লৈবাক অসিদা থুংলদ্রিঙৈগী মমাঙদা পাঙথোকপা পামই হায়রি।



য়ু এস অমসুং কাবুল গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংনা ২০০১ দগী লালহৌবশিংগা মরু ওইনা টালিবান ফাইটরশিংগা ওনশিন্নদুনা লাল শোক্লন্দুনা লাক্লিঙৈদা ইস্লামিক ষ্টেট-খোরসোন নৎত্রগা আই এস আই এস-কে হায়নসু খঙনবা আই এসকী লোকেল ব্রাঞ্চনা অফঘানিষ্টানগী নোংপোকথংবা শরুক্তা ষ্ট্রোংহোল্ড অমা থন্বা ঙমখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা থোক্লকপা হৌখিবদগী আই এস আই এস -কেনা পাকিষ্টান বোর্দরগী মনাক্তা লৈবা নাঙ্গারহর অমসুং কুনার প্রোভিন্সশিংগী মফম কয়া পায়শিনখি। তৌইগুম্বসুং অফঘান কনফ্লিক্ট অদুদা টালিবানগী মায়োক্তা চখুখিবা ওপরেসন কয়ানা আই এস আই এস-কেগী মাঙহন-তাকহনবা অমসুং হাৎপা-তুপ্পগী থবক কয়া মীয়ামদা ইফোং ফোঙদোক্তবগুম লৈহনখি।

অমেরিকান কয়ানা হৌখিবা থাদা আই এস আই এস-কেবু অহানবা ওইনা খঙখিবসি য়ু এসনা গ্রুপ অসিগী নঙ্গারহরদা লৈবা লোৎফমদা ‘মাদর ওফ ওল বোমস’ থাদখিবা মতমদনি। পেন্টাগোন্না বোম অদু হৌজিক ফাওবদা য়ু এস মিলিটরিনা লানফমদা শিজিন্নবা খ্বাইদগী চাউবা নন-ন্যুক্লিয়র খুৎলায়নি হায়না ফোঙদোকখি।

মদুগী মতুংদা য়ু এস অমসুং অফঘান ফোর্সশিংনা হৌখিবা চয়োলদা বোম থাদখিবা মফমদুগী মনাক্তা লৈবা কম্পাউন্দ অমদা রেইদ চখুখি। ওপরেসন অদুদা আই এস আই এস-কেগী লীদর অব্দুল হসিব শিরম্বা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পেন্টাগোন্না ফোঙদোকখিবনি।

অফঘানিষ্টানদা লৈবা য়ু এস ত্রুপশিংগী স্পোক্সমেন কেপ্টেন বিল সলভিননা হায়খি, অফঘানিষ্টানদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মশিং ২,৫০০ দগী ৩০০০ ফাওবা ওইখি তৌইগুম্বসুং পার্টি অসি থাদোক্তুনা অতৈদা য়াওনখিবা অমসুং হন্দক শোক্লখিবা লাল কয়াদা জিহাদিষ্ট কয়া মথৱায় মাংখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মশিং হৌজিক য়াল্লবদা ৮০০ লোমদা হন্থখ্রে।

‘চৎলিবা চহী ২০১৭ অসিদা ঐখোয়না মখোয়বু মাংহনবা ঙম্বগী চান্স য়াম্না ৱাংই। মালেমগী অতৈ মফম কয়াদা আই এস আই এসকী ফাইটর কয়া মীশি-মীনা অমসুং অমাঙ-অতাশিং মায়োক্লরবা মতমসিদা মখোয়না এটেক কয়া পাঙথোক্লবা অফঘানিষ্টানদা মায় ওনশিল্লকপা য়ারোই’ হায়না সলভিননা এ এফ পিদা হায়খি।

করিগুম্বা আই এসকী ফাইটরশিংবু ইরাক অমসুং সিরিয়াদগী তকথোকখিবা তারবদি মখোয়না অফঘানিষ্টানদা চঙশিল্লকপা য়াবগী খুদোংথীবা ফীভম লৈ হায়না মিলিটরি অমসুং এনালিষ্টশিং অনীমক্না থাজরি।

# প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনগী মাঙওইননা ফ্রেঞ্চ ট্রেদ য়ুনিয়নশিং খুৎ থোক্লখ্রে

পেরিস, মে ০২ : ফ্রান্সকী লাক্লিবা প্রসিদেন্সিয়ল ইলেক্সনগী অনীশুবা রাউন্দগী মাঙওইননা পেরিসতা চহীগী ওইনা পাঙথোকখিবা মে দেগী খোঙচৎশিংদা লৈবাক অসিগী ট্রেদ য়ুনিয়ন মশেলশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখ্রে হায়না মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোকখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিৎতা মে দেগা মরী লৈনবা য়ুনিয়নগী খোঙচৎ কয়া মমৈথংদা অমগা অমগা খুৎ থোক্লদুনা লোইশিনখি। মদুনা মে ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা পোলগী মাঙওইননা মখোয়গী মরক্তা খেন্নবা কয়া লৈ হায়বদু য়াম্না ময়েক শেংনা উৎলে হায়রি। ফ্রান্সকী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর মাটথিয়স ফেকলগী মতুং ইন্না, ট্রেদ য়ুনিয়নশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখবদুদা রাইঅট পুলিস তরুক অশোক-অপন নংখ্রে। ট্রেদ য়ুনিয়ন খরদি রাইট-ৱিং প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট মরিন লি পেনবু ওপোজ তৌখি হায়না ফেকলনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 387/SDC/IW-L/ 2017*

1. Thangjam Karunamaya Singh S/O (L) Th. Raghumani Singh of Uripok Tourangbam Leikai.
2. Thangjam Pratibhamaya Singh S/O (L) –do– of –do–.
3. Thangjam Shantakumar Singh S/O (L) –do– of –do–.

*... Petitioners*

*-Vs-*

Late Thangjam Raghumani Singh S/O (L) Th. Toyaima Singh of Uripok Tourangbam Leikai.

*... OP / Party*

**/NOTICE**

2/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থাংজম রঘুমনি সিংহ, পী: মৃ: তোয়াইমা সিংহ, সাং উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৮-লাইরেনশাজিক্কী অনৌবা পাট্টা নং ১৫১ দাগ নং ১০৪৪ গী এরিয়া ১০.৫৪ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি দাংকরি নং ১ না ২.৫০, দাংকরি নং ২ না ৩.৭৫ অমসুং দাংকরি নং ৩ না ৪.৩৩ পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা থবক চখুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector: IW: Lamsang

*HL-P/1477/3*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 386/SDC/IW-L/ 2016*

Naoroibam (N) Memcha Devi D/o (L) N. Tondon Singh of Kadangband Part-II.

*... Petitioner*

*-Vs-*

Late Naoroibam Tondon Singh S/o (L) Bir Singh of Mayanglangjing.

*... O.P. Party*

**/NOTICE**

The 2/05/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার নাওরোইবম তোন্দোন সিংহ, পীং মৃ: বীর সিংহ, সাং ময়াংলংজিংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৬-কদাংপলগী অনৌবা পাট্টা নং ৩৬, দাগ নং ১৩৪/২০৯ অমসুং এরিয়ানা ০.১৬ চাওবা ইখ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইখ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখুজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/1477/3*




## /EMPLOYMENT NEWS

### HAL Recruitment – Hindustan Aeronautics Limited – 500 Trade Apprentices Vacancies – Last Date 15 May 2017

**HAL Recruitment 2017**
Hindustan Aeronautics Limited (HAL) invites application for the post of 500 Trade Apprentices. Apply Online before 15 May 2017. Qualification / eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : HR/NK/KP/Appr/2017

**HAL Job Details :**
Post Name : Trade Apprentices
No of Vacancy : 500 Posts

**Trade Wise Vacancies :**
Fitter : 285 Posts
Turner : 12 Posts
Carpenter : 06 Posts
Machinist : 15 Posts
Welder (Gas & Electric) : 20 Posts
Electrician : 63 Posts
Mechanic (Motor Vehicle) : 08 Posts
Draughtsman (Mechanical) : 10 Posts
Electronics Mechanic : 04 Posts
Painter (General) : 12 Posts
PASSA : 65 Posts

**Eligibility Criteria for HAL Recruitment :**
Educational Qualification : Passed ITI in the relevant trade.
Age Limit : As per HAL Rules

**Job Location : Nashik (Maharashtra)**

**Selection Process :** Selection will be based on Interview.

**Application Fee :** There is no application fee.

**How to Apply HAL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.apprenticeship.gov.in on or before 15.05.2017. And Ex-ITI (NCVT) candidates applying under XSM Quota are required to submit the documents in prescribed application form along with copies of relevant documents send to Deputy Manager (Training), Training and Development Institute Hindustan Aeronautics Limited, Aircraft Division, Ojhar, Tal- Niphad, Dist. Nasik – 422207 on or before 15.05.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 15.05.2017
Last Date for Submission of Offline Application form : 15.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://hal-india.com/Common/Uploads/Resumes/586_CareerPDF1_ITI_Apprentices_HAL_Nasik_Apprentices_Engagement_2017_18.pdf

**Apply Online :** http://www.apprenticeship.gov.in/Pages/Apprenticeship/ApprenticeRegistration.aspx

### North Eastern Postal Circle Recruitment – 748 Gramin Dak Sevak (GDS) Vacancies – Last Date 24 May 2017

**North Eastern Postal Circle Recruitment 2017**

North Eastern Postal Circle invites application for the post of 748 Gramin Dak Sevak (GDS). Apply Online before 24 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : EST/6-145/2016-17

**North Eastern Postal Circle Job Details :**
Post Name : Gramin Dak Sevaks
No. of Vacancy : 748 Posts
Pay Scale : Not Specified

**Community wise Posts :**
UR : 372 Posts
OBC : 34 Posts
SC : 43 Posts
ST : 299 Posts

**Eligibility Criteria for North Eastern Postal Circle Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate should pass 10th standard from approved state boards by the respective State Govt. / Central Govt.

Nationality : Indian
Age Limit : Minimum and maximum age limit is 18 to 40 years as on 24.05.2017
Age Relaxation : SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PWD Category 10 years

**Job Location : North Eastern Circle**

**Selection Process :** Only marks obtained in 10th standard of approved Boards aggregated to percentage to the accuracy of 4 decimals will be the criteria for finalizing the selection.

**Application Fee :** OC/OBC Male candidates have to pay Rs. 100/- at any Head Post Office. Candidate who requires to make the payment has to visit any Head Post Office to make the payment. fee payment is exempted for all Female and SC/ST candidates.

**How to Apply North Eastern Postal Circle Vacancy :** Candidates may apply online through the website https://indiapost.gov.in OR http://www.appost.in/gdsonline form 25.04.2017 to 24.05.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission Of Online Application : 25.04.2017
Last Date for Submission Of Online Application : 24.05.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement & Apply Online Link : http://www.appost.in/gdsonline/